# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কুন্দো

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



কুন্দো পাম্বী মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরবা অমদি থোইদোক্পা মগুন লৈ হায়না লৌনরিবা পাম্বীলক্তগী শিংথানরিবনি। কুন্দো পাম্বী অসি ইংলিসতা ইন্দিয়ান জেসমীন (Indian Jasmine) নৎত্রগা ডাওনী জেসমীন (Downy Jasmine) নৎত্রগা ৱীন্টর জেসমীন (Winter Jasmine) নৎত্রগা ষ্টার জেসমীন (Star Jasmine), অসামীজদা খোরিকা জাই (Khorika Jai), বেঙ্গোলিদা চমেলি (Chameli) নৎত্রগা কুঁন্দ (Kundo), হিন্দিদা বলিনি (Balini) নৎত্রগা বন মালতী (Ban malati) নৎত্রগা কুন্দা (Kunda), নেপালিদা বেলি পুসপা (Beli Puspa), চাইনিজদা মাও মো লি (Mao mo li), স্পেনিসতা জাজমীন (Jazmin), ক্যুবাদা ডাজমীন কেফে (Jasmin cafe), ইন্দোনেসিয়াদা গম্বীর উতান (Gambir utan) নৎত্রগা মেলাতী বিন্তাঙ (Melati bintang), জামাইকাদা হেরী জেসমীন (Hairy jasmine), বর্মীজদা তাওসাবে (Tawsabe), ফিলিপিন্সতা সাম্পাগীতা দে চিনা (Sampagita de china), শ্রীলঙ্কাদা পীছা (Pichcha), থাইদা মালুলী (Malulee), ভিয়েটনামীজদা লাই দুঙ (Lai dung), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *জেসমীনম মল্টিফ্লোরম (Jasminum multiflorum (Burm.) f. Andrews)* নৎত্রগা *জেসমীনম কোঞ্জেসতম (Jasminum congestum Buch-Ham ex Wall)* নৎত্রগা *জেসমীনম গ্রেসিলিয়ম (Jasminum gracillium Hook. f)* নৎত্রগা *জেসমীনম প্যুবিসেন্স (Jasminum pubescens (Retz.) willd)* নৎত্রগা *মোগোরিয়ম মল্টিফ্লোরম (Mogorium multiflorum (Burn f.) lam.)* হায়না কৌই অমসুং ওলিয়েসী (Oleaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। কুন্দো পাম্বী অসি সংস্কৃততা মাঘ মালিকা (Magha mallika) হায়না কৌই। মরমদি হিন্দুগী কেলেন্দরদা মাঘ হায়না খঙনবা নিংথমথাগী মতমদা পাম্বী অসি য়াম্না মপূং ফানা লৈ শাৎপদগীনি।




কুন্দো পাম্বী অসি নিংথমথাগী মতমদা য়াম্না মপূং ফানা লৈ শাৎলি মদুদি করিগুম্বা কান্দা ঙৌরোক ঙৌবা লৈশিং অদুনা য়াম্না কুঙনা শাৎপদগী মনাশিং অদু মশক উবা ফংদে। ইংলিসতা হায়নবা খ্বাইদগী ঙৌবদা "White as Snow" হায়বদি উনগুম্না ঙৌবা হায়নবগুম ইন্দিয়াদদি "White as Kunda" হায়বদি কুন্দো মপালগুম্না ঙৌবা হায়না প্রমান তৌনৈ।

কুন্দো পাম্বী অসি ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৭৬৮দা ইন্দিয়াদগী পাউদমখিদুনা মসিগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিং অদু *নিকতেনথীস মল্টিফ্লোরা (Nyctanthes multiflora)* হায়না থোনখি অদুবু ঙসিদি জেসমীনম মল্টিফ্লোরম হায়না শীজিন্নরি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না জেসমীনম হায়রিবা জিনস অসিগী মখাদা মালেমগী ওইনা স্পিসিস ২০০ রোম লৈ অমসুং খরা হেন্না শারপ তৌবা (Warm Temperate) কী মফমশিংদা হৌই। জেসমীনম হায়রিবা ৱাহৈ অসি অরাবীক (Arabic) অমসুং পর্সিয়ান (Persian) গী ৱাহৈ য়াসমীন (Yasmin) নৎত্রগা য়াসামান (Yasaman) মসিগী ৱাহন্থোক্তি 'ঈশ্বরগী খুদোল' 'Gift of god' হায়বসিদগী থোনখিবনি হায়না লৌনৈ। কুন্দো পাম্বী অসি মনা পানবগী মওং অমসুং লৈগী মচুগী মতুংইন্না মখল ৫ থোক্লা খাইদোকই। মখোয়শিং অদুদি (ক) জেসমীনম (with opposite, pinnately compound leaves), (খ) ত্রাইফোলিয়াতা (with opposite, trifoliate leaves & white flowers) (গ) প্রিমুলিনা (with opposite, trifoliate leaves & yellow flowers) (ঘ) অলতর্নিফোলিয়া (with alternate, simple or compound leaves) অমসুং (গ) য়ুনিফোলিয়াতা (with opposite, simple leaves) অসিনি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না কুন্দো পাম্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরুওইনা ইন্দিয়া, নেপাল, বাংলাদেশ, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, লাওস অমসুং ভিয়েটনামদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা কুন্দো পাম্বী অসি অদুমক মরাং কায়না হৌই অমসুং য়ুমগী অকোয়বদা য়াম্না পাম্না থানৈ। কুন্দো অসি মতম পুম্নমক্তা শংদুনতা লৈবা মসা য়াম্না লোংবা ফুট ৭-৮ ফাওবা ৱাংবা পাম্বীনি। নৌরিঙৈদা পাম্বী অসি মতু চোমই। ঙৌরোক ঙৌবা খুবীমুক চাউবা লৈশিং অদু মখোক্কী মতোন্দা মথং-মনাও নাইনা চবুন ওইনা (axillary cymes) শাৎলি। লৈহাওগী মতুংইন্না লৈ অসি মতম খরা কান্নরগা চহী চুপ্পা লৈ শাৎলি। কনাগুম্বা মীওই অমগী য়াশিং অদু ঙৌরোক ঙৌনা চাং মান্ননা ফজরবদি মদু কুন্দো পাম্বীগী মপান পোমতক তৌবা অদুগুম্না ফজৈ হায়না শিংথানরিবনি।



কুন্দো পাম্বীগী মপুং ফানা শাতোক্লবা লৈশিং অদু থোইদোক্না মেংনা নুংশিবা মনম চেল্লি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না কুন্দো পাম্বীগী লৈ অসিদগী য়ামদ্রবদা মনম নুংশিবা মনিল য়াম্না কাগনবা মচল (Volatile compound) ৩০গী মথক্তা থাদোকই। হায়রিবা ভোলেটাইল কম্পাউন্দশিং অসিগী মনুংদা মরুওইবশিংদি - মিথাইল বেঞ্জোয়েত (Methly benzoate), বেঞ্জিল এসিটেট (Benzl acetate), নেরোলিদোল (Nerolidole), ইন্দোল (Indole), জেসমোন (Jasmone) অমসুং এলফা-ফরনেসেন্স (α-farnesene) অসিনি।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি কুন্দো মপালনা লেংবা লৈ পরেং অদুনা বর-কন্যাগী ঙকশমদা হুক্তুনা লুহোংবগী চৎনবী অসি তৌফদ্রবা অমা ওইনা চৎনরি। লুহোংবা অদুদা কন্যা অদুনা বর অদুদা কুন্দো পরেং ২ হুকপীরবা মতুংদা লৈ পরেং অমা লৌথোক্লগা বর অদুনা কন্যা অদুদা অমুক হুকপীগনি। করিগুম্বদা কুন্দোগী লৈ অদু ফংদ্রবদি পাম্বীগী মনা অদুনা মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নৈ। অতোপ্পা হীরমদা কুন্দো লৈদগী লৌবা মনম নুংশিবা থাউ অদু মখল কয়াগী পর্ফ্যুম অমসুং মায়তৈ হীদাকশিং শাবদা শীজিন্নৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না কুন্দো মপালগী থাউ অদু পূক্নিং ৱাখল লৈতাদবা, হকচাং চিকপা-নাবা তৌবা, থবোম্বীগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্বগী মগুনশিং য়াওই। চাবোকপী নুপীনা অঙাং অদু লৈখিদদুনা অমদি খোমজিংহন্দদুনা খোমলাং অদু হাগৎলকপা মতমদা কুন্দো পাম্বীগী লৈ অদু শুগাইরগা শেম্বা মলম অদুনা খোম অদুদা চাং নাইনা তৈদুনা খোমলাং হাগৎলকপা অদু হন্থহনবদা শীজিন্নৈ। কুন্দো পাম্বীগী অকংবা মনা অদু অফবা ঈশিংদা পুং খরা তীংদুনা লৌবা মহী অদুনা মীৎ চামথোক্তুনা মখল কয়াগী মীৎকী লায়নাশিং লায়েংনৈ। কোক চিকপা, গাউট হায়না খঙনবা তাং চাউথোক্তুনা চিকপা-নাবা, মখল কয়াগী উনশাগী লায়নাশিং অসিদা কুন্দো পাম্বীগী মনা শুগাইরগা শেম্বা অনংবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনৈ। মলেরিয়া অমসুং জোন্দিস লায়নাশিং অসিসু কুন্দো পাম্বীগী মনানা লায়েংবগী পাউদমশিং লৈ। কুন্দো পাম্বীগী মরা শুগাইরগা খুদক্তা থোমদুনা লিন্না চিকপা অসি লায়েংনৈ। সুরিনামীজগী ৱীন্টি (Winti) ধর্ম্ম চৎপা মীওইশিংনা কুন্দো মপাল থাদদুনা লৌবা ঈশিং অদুনা ঈরুজবদা পূক্নিং ৱাখলগী অনাবশিং ফহনবা ঙম্মী হায়না থাজনবদগী শীজিন্নৈ। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### ডোক্তরনা অনাবা থিবগী মতম অদু ওইহনসি

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

হৌজিক মণিপুরগী অপূনবা মীশিং অসি লাক্ষ ৩০ রোম শুরে হায়নরি। হন্দক চহীদগীদি ইন্দিয়ন সিটিজননি হায়দুনা আই এল পিগী অইবা চেরোল য়াওবা চে চাং পায়-পায়দুনা নোংমদা মপানগী মীতোপ ৪০০/৪০০ রোম মণিপুরদা চঙলক্লবদি, মফম অসিদগী হনখিবা-খোৎখিবা খরা য়াওরবসু, চহী অদুমক্তদা মীতোপ লাক্ষ ১০ রোম হেনবনা মতম খরগীবু ওইরবসু লৈশিন্দুনা মণিপুরগী চহী অদুগী অপূনবা পোপ্যুলেসন অদুগী মথক্তা অহেনবা মীশিং হায়বদু ওইদুনা ইরায় লায়না অপূনবা মীশিং লাক্ষ ৪০ য়ৌবা য়ারিবনি। মথংগী চহীদনা অঙাং পোকপা মশীং থারগা লাক্ষ ৫০ হেক্তা য়ৌবা য়ারিবনি।

মীশিং য়ামখ্রবা চাইনাদদি 'ডোক্তর ওন ফুট' হায়বা হেলথ প্রোগ্রাম ফাওবা শীন্দুনা মীয়ামদা হকশেলগী খুদোংচাবশিং ফংহল্লি। অতৈ চাওখৎপা লৈবাক খরদদি মীওই চহুম-চামরি খুদিংগী ডোক্তর অমমম ফাওবা থুংনরি। ইন্দিয়াগী ওইনদি মীওই ১৪৫৭ খুদিংগী ডোক্তর অমমমতমক থুংবোই-থুংদবোই তৌরি। হায়রপ চৎনবা য়াবদা মীওই ১০০০ অমদা ডোক্তর অমফাওবা থুংবা ঙমজদ্রি। চহী লিশীং অনী হেন্না পুৱারী লৈদুনা নীংখা-তম্না লৈরম্বা হৌজিক্না মীশিং লাক্ষ ৩০ রোম ফারবা মণিপুরগী স্পেসিএলিষ্ট অমসুং সুপর-স্পেসিএলিষ্ট ওইবা য়েলহৌমী ডোক্টরগী মশীং অসি সবজেক্ট খরদা ১০ ফানা য়ৌবোই য়ৌদবোই তৌরিবনি। মণিপুরগী মীশিং লাক্ষ ৩০ হেল্লবা অসিদা কার্দিওলোজিষ্ট নৎত্রগা ন্যুরোসর্জন ডোক্তর অসি মশীং মরি/মঙামুক্তংবু ঙায়রি। মসিনা তাক্লিবদি অপূনবা মীশিংগা কার্দিওলোজিষ্ট ডোক্তরগী মশীংগগী মরক্তা লৈনরিবা রেসিও অসি মতিক মপা চানদনা হায়বা অদু ওইদুনা মীয়াম অমসুং ডোক্তরশিংগী মরক্তা পেন্নদবা ওইবগী মরমশিংগী মনুংদা মরুওইবা মরম অমখক্লি। অতৈ অতৈ স্পেসিএলিষ্ট ডোক্তরগী মতাংদসু অসিমঙায়। মরম অসিনা চহী চহীগী ওইনা মী মশীং পোক্লকপগী রেটকা ডোক্তর মশীং পোক্লকপগী রেটতুগা চাংদম্নদুনা য়েংবগা লোয়ননা ডোক্তর অমনা পানগদৌরিবা মী মশীং অদু লম্বা চানরিব্রা চানদ্রিব্রা হায়বদু খন্নফম থোকই।

অনাবনা অচৌবা-অপিকপা, অকনবা-অশোনবা, লায়রবা-ইনাকখুনবা অসিনচিংবগী মীচং-মীখায় নাইবিবা জাৎ নতে। অনাবগী মীৎয়েংদা লৈঙাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর, চীফ মিনষ্টির, আর্মি চীফ ব্যুরোক্রেটস, সাইন্টিষ্ট, ডোক্তর, এঞ্জিনিয়র, লৌমী অমসুং অতৈ শিন্মীশিং অসি চপ মান্ননা উই। অসিগুম্বা মীশকশিং অসিনা নাবা য়েকপা য়াওরকপা মতমদা মখোয় মখোয়দগী লৈরিবা মমল য়াম্লবা হ্যুমেন-রিছোর্সকী আউট পুট অদু চাং হন্থরক্তুনা মমা লৈবাক্কী অমসুং মরৈচাশিংগী থৌগল মপূং ফানা তৌবা ঙম্লক্লোইদৌরিবনি। অদুনা অনাবা লায়েংনবা হোৎনবদা ডোক্তরগী থৌদাং য়াম্না চাওরি। তৌবদবু লৈবাক মীয়াম্না মহৌশানা য়াম্না শোন্নবা অমসুং পাম্নবা হায়বদুদি মীবু থাজবা নুংশিবা পোকহন্দুনা পুকচেল শেংবা হৈথোই শিংথোইনা থবক তৌবা ঙম্বা ক্বালিফাইদ ওইরবা লৈঙাক্লোয়শিং, ডোক্তর, এঞ্জিনিয়র অমসুং অতৈ অতৈ শিনফমশিংদা থবক তৌরিবা মখোয় অদুতবুনি। অসিগুম্বা অফবা মীশকশিং অসিদি মহৌশানা তাঙনা থোকই।

ঐখোয়গী য়েলহৌমীশিং অসি মহৌশানা অৱাংবা থাক্কী নাৎ-কলচর, স্পোর্টস, লাইরিক-লাইশু অমসুং অতৈ অতৈ শিনফমশিংদা থৱায় য়াওনা তম্নীংলবসু লৈবাক অসিগী সোসিও পোলিটিকো ইকোনোমিক্কী ফীভম অসি হান্নদগী হৌনা ইফ-ফগৎতনা লাকপনা পূক্নিং পেন্না মহৈ-মশীন তম্বসু ঙম্নরক্ত্রে অমসুং ঙমদবনসু কোঙ্গায়নি। তম্লবসু ক্বালিটি কন্ট্রোল লৈনা তমহন্দবনা অয়াম্বা ওইবনা, ক্বালিটি য়াওদবা মহৈরোয় কয়াসু থোরকই। অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশীন তম্নবগীদমক মণিপুরগী মশিং য়ামখিদ্রবা য়েলহৌমী মহৈরোয়শিংনা ইন্দিয়াগী চাওর-চাওরবা ষ্টেটশিংগী মশীং য়ামখ্রবা মহৈরোয়শিংগা ওল ইন্দিয়া এন্ত্রান্স টেষ্টনচিংবা য়াওমিন্নদুনা থেঞ্খাং কয়াদা থেঙ্গায়নবা তারকই। মদুদা কিরুবা নীংহন্নবগী ৱাফম নৎত্রবসু, থিয়োরি ওফ প্রোবেব্লিটিগী মতুংইন্না মণিপুরগী মহৈরোয়শিংগী মায় পাকপগী প্রোবেব্লিটি অদু নিল চৎপগুম্বনি। অসিগীসু মথক্তা মণিপুরদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশীন তম্ফমশঙ, কোচিং সেন্টর, রিছার্স সেন্টর অমসুং অতৈ মরী লৈনবা খুদোংচাবশিং মতিক চানা লৈতবনা মণিপুরগী মহৈরোয় লিশীং লিশীং পৈশা য়াম্না তিংনা মপানগী ষ্টেটশিংদা মহৈ মশীন তম্নরি। য়েংবদা অমুক্কসু য়াম্না নুংঙাইতবা অমনা চহী হেক খুদিংগী মণিপুরদা ওল ইন্দিয়া লেভেলগী ওইবা এগজাম্নচিংবা থানবগী মতিক চানা এগজাম সেন্টরশিং হাংদোকপীবা ঙমদবনা মহৈরোয়শিংনা মাগী মাগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা মপানগী ষ্টেটশিংদা হোবে হোবে চৎতুনা পরিক্ষা থাবগী থবক অসিনি। মসি ঙসি ঙরাংগী লৈঙাক্তগী ৱা নত্তে, মমাঙগী চহী কয়াদগী পাঙ্গল শোন্দুনা লাকপা মণিপুর লৈঙাক্কী মতমদগীনি।

অরোইবদা, 'ডোক্তরনা অনাবা থিবা'/'ডোক্তরনা খোঙনা চৎপা' হায়না পঞ্জখ্রিবসি করেম্ননা হায়বগী ৱাদি নৎচদে। মসিদা তশেংনা ফোঙদোক্লিংলিবদি লৈঙাক্লা সেন্টরগী মতেং লৌবীরগা মথক্তা পঞ্জরিবা খুদোংচাদবশিং অসি য়েংশিনবীবগা লোয়ননা ডোক্তরশিংগী মরুওইনা স্পেসিএলিষ্ট অমসুং সুপর স্পেসিয়েলিষ্ট ডোক্তরশিংগী মশীং অসি খরা য়াম্না পুথোকপা ঙম্নবা অফবা লম্বী অমা শেমহন্নীংই হায়জবনি। ডোক্তর মশীংনবু ওখাক্লা য়াম্লবা অদুগা অতৈ মেদিকেল ফেসিলিটিশিংসু মতিক চানবু ফংলবদি মীয়াম্না তোয়না নৈনরিবা ডোক্তর অমসুং অনাবগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অদু ফগৎহন্নবগী অচৌবা মরম অমসু ওইগনি থাজৈ।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## পুন্সিগীদমক

**- লোইস লেম্বা-**


মীওইবনা হিংলিবসিবু চানবগী খক্তরা? নুংশিনবগীদমকসুনি লৈমিন্নরবদি নুংশিনবা তাবনি। মহৌশাগা শাগোন্ননা চৎলি মখৈ মহৌশাগী অনৌবা কয়া থেংনবা তাবনি। খোঙনাং পাম্বীদা য়ারেকমিন্নরম্বা চেক্লাশিং অঙনবা অয়ূক্তা মায়কৈ কয়াদা পাইখিবগুম ঐখোয়সু পুন্সিগী তাঙ্কক কয়াদা মায়কৈ খঙদনা পাইরি। পুন্সিগী খোঙথাং খুদিংমক চুম্মী খন্না থাঙখিবা ঙাক্তনি। অরানবা হায়বসি মীপূম খুদিংগীনি। অদুবু ঐখোয় অশোয়বা ঙাক্লসি নুংশিনসি।

তেল্লবা মীওই মপোকনি, মতমদি লেপ্পা লৈতনা চৎখিনি। মতমগী মতুংইন্না ঐনা তৌজরিবা পূম্বা ইশানা ফংজবা তাবনি। থৱায় পানবশিংবু মহৌশাগী কল্লবা য়োৎলিনা পুন্দুনা থম্বগুম হিংলিঙৈ মীকুপ খরসিদা করিগী অঙম অঙম চানগনি অচৌবনা অপিকবু ঙম্মী হায়দুনা তুহৎপীবা হৌনদে। মীনুংশিগী মখাদা হিংমিন্নরিবনি। মমা কায়নরবা রিশিনা (পোকপদা মমা কায়নরবা ষনাও অমা) করিগী ইতুং ইন্নরিবা? করিগী নিংঙাই তৌরিবা? থৱায় অমনি মহাকসু, মহৌশাগী ফজবদা শরুক য়াওনীংই, মমা লৈত্রবসু হিংনবগীদমক লান্থেংনরিবনি। হিংবদা লান্থেংনবা তাবনি অদুতদা অচুম্বা অফবা পুরক্কদৌরিবনি অদুবু বিধিনা করি তম্লিগবা পূম্নমক মায়োক্লবা তাবনি। চৎখিবা কনাবু লৈহৌবা কনানসু খাম্বা ঙম্লোই, কাউথোকপা হায়বসিনা হিংবদা মতেং চাউনা পাংলি। সনা-লুপা, লন-থুমনা মীওইবগী পুন্সি লেপ্পা য়াদবগুম কল্লকপা, মীহৌবা পূম্নমক থাদোক্কদবনি। চাওখ্রবা মালেম পূম্বা ইশা ইশাগীনি খল্লবা মতম অদুদা চাওখৎপা পুরক্কনি। করিসু লৈতবা থৌদোক অমগীদমক হাৎনগদবা নত্তে। অশিবা হায়বসি থৱায় পানবা পূম্বগা শাগোন্নরগা লাক্লবনি। কায়নবা হায়বসি মীপূম খুদিংগীনি। নঙগা তৎনা থানদনা লোয়নরিবা নঙগী মমি ফাওবা লোইনা চৎখিনি। মনীং তম্না পাইজনীংবা কোকিল কৌবা চেক্লাবু করিগী ফাজিনবীগদৌবনো মাসু থৱায়নি, অহাংবা অতিয়াদা মনীং তম্না পায়হন্নীংই উমংদা অমুবা উহৈ চানীংই, নুংশিরবা মাগী খোঞ্জেলবু পাজবদুনা অৱাবা করিগী পীগদৌরিবনো, মরোলদি থোক্তা, হায়জবসু ঙমদা মবুক্নিং নুংশিনা কপ্লগা করিগী মীওইবনা নোক্লা য়েংলিবনো। রিশিনা মবুক লান্লকপা মতমদা মমান্নবা কয়ানা মমাগী খোন্লাং থকপা উরগা মমিত্তগী মপি তারিবা, মরোলদি থোক্তা অৱাবা খাঙজবা নত্তনা করিদি পান্থৈ লৈরিবগে?

শারবা নুংশাদা মায়কৈ য়েংদুনা লেপ্তুনা লৈহৌই। ফত্তবা ৱাখল ওইরোইদবা মঙলান, নাপলনচিংবা পূম্নমক মহৌশা লাইরেম্বীনা অনৌবা চহীনা লাকপদা পূম্নমক পুবিখ্রো নুংশিনবগী লমদা পূন্না চৎমিন্নরসনু থম্মোয়না ৱারক্লবা মতমদা মীৎলুনা পিরাং শিন্থবা নত্তনা কনাদা তাইনরুগনি ? অৱা নুংঙাই পূম্বা তাইবঙগী লিচৎনি, শাংলবা পুন্সি লম্বীসিদা থেংনরিবা তিঞ্খং-তুম্বৌ ময়ামসি শরুক য়ানা চৎপা তাবনি, চিনবালদা মোমোন নোক্তনা করম্না নুংঙাইবনি হায়গনি। ৱানা হিংলবসু মোমোন মোমোন নোক্তুনা হিংলিবা পুন্সিদো নুংঙাইবনি। পান্দম অমগী মখাদা হিংমিন্নরিবা পুন্সিবু মীনা করি হায়নখিনি খন্দুনা পান্দম ফংদনা তোক্লগদ্রা। হোৎনবদা ঙমদবা করিবু লৈবগে। পুন্সিনা হিংলিবা মখৈ অনৌবা আশাগা লোয়ননা চৎপা তাবনি, তাইবঙ শেম্বা মপুনা তম্বা লম্বীদুদা।

মীওইবগী মরক্তা খেন্নবা অমত্তা লৈতে মহৌশাগী খুদোলনা মান্ন-মান্নবা চাক্তামিন্নৈ অদুবু মীওইবনা মীওইবগী মরক্তা কাঙলূপ-ফুরুপ খায়বা, শক চু মান্নদবা কয়া শেম্মী। পূম্নমক অরানবনি অদুবু ৱাখলদি কনাগুম্বা অমত্তা মান্নদে অমগা অমগগী মরক্তা হিংমিন্নবদা অকায়বা লৈতে। কল্লকপা মীহৌবনা শেম্বা খেন্নবা মীওইবদগী লাপ্পা চৎখ্রসনু।■

TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY
In aid of Annual Fund Drive
for Soccer Tournament 2020 Under -10
Org. Asem Leikai Developmnet Club
Ticket Rate Rs. 1200/-
HOUSEFULL
Date / Time : 18th Jan.2020 (6p.m.)
1st 2nd 3rd 4th 5th 6th 7th 8th 9th 10th



MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 200/-
Housefull
Rs. 50,000/-
MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 500/-
Housefull
Rs. 2Lacs
VENUE : Kakwa Asem Leikai Development Club Community Hall
HL-P/5985/18